# দিল্লিদা সরকার শেম্নবগী ৱাফম আম আদমি পার্টিনা ঙসি লাউথোক্লগনি



*ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ২২ঃ* আম অদামি পার্টি (এ এ পি)গী কনভেনর অরবিন্দ কেজ্রিৱালনা ঙসি ফাওবা বি জে পি অমসুং কংগ্রেসতা এটেক তৌবা লেপত্রি। ঙসিসু মহাক্না দিল্লিদা পৱার পায়রক্লবদি করপসন তৌবা পার্টি অনীমক্কী পোলিটিসিয়নশিং জেলদা থাজিনগনি হায়খ্রে।

এ এ পিনা সরকার হেক পায়বগা থা ৬কী মনুংদা মরাল লৈবশিং দন্দি ফংহনগনি। অদুগা পার্টি অদুনা দিল্লিদা সরকার শেম্নবগী ৱাফম নিংথৌকাবা নুমিৎ ফাওবগী মনুংদা লাউথোক্লগনি হায়না দিল্লিদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা অরবিন্দ কেজ্রিৱালনা ফোঙদোকখ্রে।

দিল্লিদা সরকার পায়রবদি পার্টি অদুনা ৱাশকখিবা মখোয়গী মেনিফেস্টোদা য়াওবা প্রোগ্রামশিং অদু মপূং ফানা পায়খৎকনি। লোয়ননা লোক পাল বিল অদু মপূং ফানা পাস তৌহন্দুনা চৎনগনি হায়খি।

দিল্লিদা পাঙথোকখিবা এসেমব্লি মীখল অদুনা রাজনিতিদা অনৌবা মায়ওন অমা পুরকখ্রে। প্রজাশিংনা অশেংবা ৱাখল লৈবা রাজনিতিৱালাশিং পোলিটিক্সতা য়াওহনবা পাল্লি।

সরকার শেম্নবগী মতাংদা দিল্লিগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা পব্লিক মীটিং পাঙথোক্কুনা মীয়ামগী অপাম্বা লৌনবা হোৎনরি। কেজ্রিৱালনা হায়, এ এ পিনা মীয়ামগী অপাম্বগী মতুং ইন্না থবক পায়গনি। মদু অশেংবা দিমোক্রেসিগী মচৎ অমনি।

কংগ্রেসনা মীখল অদুদা মায়থীরদুনা সীট ৮খক্তমক ফংবা ঙমখি। অদুগা সীটশিং অদুদা কারকখিবা এম এল এশিংনা এ এ পিদা শৌগৎলক্লি। অদুগুম্বা ৱাফম অদু এ এ পিনা লৌগদ্রা নৎত্রগা লৌরোইদ্রা হায়বদু খন্নগনি।

কংগ্রেস এম এল এনা শৌগৎলবদি সীট ৭০ লৈবা দিল্লি এসেমব্লিদা সীট তঙ্খায় অমা কনবা ঙমগনি। এ এ পিনা ৱাশকখিবদা দিল্লিদা লৌরিবা ইলেক্ট্রিসিটিগী তারিফ অদু চাদ ৫০ হন্থহনগনি। অদুগা য়ূমথোঙ খূদীংমক্তা অফবা ঈশিং নোংমদা লিটর ৭০০ ফংহনগনি। লোয়ননা নিয়ম কায়বা কোলোনিশিংগী রিগুলরাইজ তৌগনি হায়খি।


# দিপ্লোমেটকী ৱাথোক অথুবা মতমদা লোইশিল্লগনি হায়বগী আশা লৈঃ সলমান খুর্সিদ

*ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ২২ঃ* করিগুম্বা অমা হেক্তা থোক্লকপা য়াই হায়না ঙসি এক্সটর্নেল এফিয়ার্স মিনিষ্টর সলমান খুর্সিদনা ফোঙদোকখ্রে। লোয়ননা য়ু এসতা ইন্দিয়াগী সেনিয়র দিপ্লোমেট দেবয়ানি খোব্রাগাদে ফাবগী মতাংদা লৈরিবা ৱাথোক অদু অথুবা মতমদা লোইশিল্লগনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়খি।

ইন্দিয়া অমসুং য়ু এসনা মপূং ফানা দিপ্লোমেটিক ইম্ম্যুনিটি পীদুনা য়ু এন মিশন্দা ট্রান্সফর তৌখ্রবা দেবয়ানি খোব্রাগাদেগী ৱাথোক অদু লোইশিন্নবা হোৎনবা লেপত্রি।

ৱাথোক অদু করম্না থুনা লোইশিনগদৌরিবনো হায়বা ৱাহং অমদা খুর্সিদনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবদা পৃথিবীগী মীয়ামদা ৱাথোক অদু লোইশিন্নবা মাঙলোমদা চঙশিল্লকপদু য়েংলি। পৃথিবীদি শিবা নাইরোই, লেপ্পসু লৈরোই, করিগুম্বা অমা হেক্তা থোক্লকপা য়াই হায়খি।

মহাক্কী ৱারোল অদুবু য়ু এসকী ষ্টেট দিপার্টমেন্টনা তরাম্না ওকপা ফোঙদোক্লি। য়ু এসনা করিগুম্বা খরা তৌগনি। তরাম্না ওকপা হায়বদুনা মপূং



ফাবা ওইদ্রি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

সলমান খুর্সিদনা মখা তানা ফোঙদোরকখিবদা য়ু এস অসি লৈবাক অসিগী য়াম্না মরু ওইবা পার্টনর অমনি। লৈবাক অনীনা হীরম অদুদা অকনবা মীৎয়েং চঙদুনা লৈনরিবা মরী অদুবু ঙাক-শেন্নবা হোৎনরি। চহী ৩৯ শুরবী আই এফ এসকী ইং ১৯৯৯ বেজগী দেপ্যুটি কন্সুল জেনরেল অদু মমাঙ চয়োলদা ভিসা ফ্রাওদকী মরালদা ফাজিন্দুনা থমখি। তুংদা য়ু এস দোল্লর ২,৫০,০০০ থমদুনা কোর্টনা বেল পীখিবনি।

# অচুম্বদু খঙমিন্নসি

## সোলর সিষ্টেম-৩

*সোলর সিষ্টেম হায়বসি মর্ক্যুরি, ভেনস, আর্থ, মার্স, জুপিটর, সেটর্ন, য়ুরানস, নেপচুন অমদি প্লুটো হায়বা প্লানেট ৯ লোয়ননা প্লানেটশিংসিগী থা (মূন)না নুমিৎকী অকোয়বদা লৈরিবা মাগী মাগী মফম অমদি খোঙচৎকী অকক্লবা সিষ্টেমদুবুনি। চহি মিল্লিয়ন ৪,৫৬০ মুক্কী মমাঙদা সোলর সিষ্টেম অসি শেমখিবনি। নুমিৎকী অকোইবদা মাগী মাগী খোঙচৎতা লৈরিবা প্লানেটশিং অসিগী মনুংদা প্লুটোনা নুমিৎতগী খ্বাইদগী লাপ্পা প্লানেট ওই অদুগা মর্ক্যুরিনা নুমিৎতা খ্বাইদগী নকশিনবা প্লানেট ওইরি। প্লুটোঃ প্লানেটসিনা নুমিৎতগী লাপ্পসি কিমি ৫,৯১৩,৫২০,০০০নি। প্লানেটসিনা মশাবু মপূং ফানা অমুক্তং উংজবদা নুমিৎ ৬নিগা পুং ৬ মিনিট ১৮ চংই। নুমিৎকী অকোইবদা অমুক্তং কোইবদা চহী ২৪৭ কা নুমিৎ ২৫৬ চংই। প্লানেটসিগী অরুম্বা (মাস) অসি টোন ১২৯,০০০,০০০ নি। মসিগী দাইমেটরনা কিমি ২,৩৯০নি। প্লুটোগী থা (মূন) ৩ লৈ। প্লুটোগী থাশিং অসি ইং ২০০৫দা পুথোকখিবনি। মার্সঃ প্লানেটসি নুমিৎতগী কিমি ২২৭,৯৪০,০০০ লাপ্পী। মশাবু মপূং ফানা অমুক্তং উংবদা নুমিৎ ১.০২৫৯৫৭ খক চংই। নুমিৎকী অকোইবা প্লানেটসিনা অমুক্তং চৎপদা নুমিৎ ৬৮৬.৯৮ চংই। প্লানেটসিগী দাইমেটরনা কিমি ৬,৭৯৪ নি। মার্সকী থা (মূন) অনী লৈ।*

# কোলকটাদা বার বাওন্সরশিংনা মীওই অমা হাৎখ্রে

*কোলকটা, দিসেম্বর ২২ঃ* বার বাওন্সরশিংনা চহী ২২রোম শুরবা মীওই অমা হাৎখিবা থৌদোকপু য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা কোলকটাগী শ্যামনগর এরিয়াদা লৈবা দম দম বারদা থাংজ নুমিৎতা থোমজিন্দুনা অকায়-অতোয় থোকহনখ্রে। লোয়ননা খাঙজং চঙশিল্লকখিবশিং অদুনা অশিবা হকচাংশিং অদু লম্বী ময়ায়দা থমজিনবদগী লম্বী চখোক-চৎশিন্দা খুদোংচাদবা কয়া থোকহনখ্রে।

শগোলশেন নুমিৎকী পুং নুমিদাং পুং ৯.৩০রোম তাবা মতমদা চিনর পার্ককা নক্নুনা লৈবা কিংস্টন বারদা বাদব দাস কৌবা মীওই অদু চৎখি।

মীৎনা উহৌবশিংনা ফোঙদোক-রকপদা বার অদুগী অহানবা মথোলদগী বাওন্সরশিংনা মহাকপু ইন্থরকখি। খুদক্তা মহাক হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়েংখি। অশোক অদুনা মরম ওইরগা মীওই অদু ইরাই নুমিৎকী অয়ূক্তা লৈখিদে। মহাক লৈখিদ্রে হায়বা তাবদগী নাস্কারপারাগী মীয়াম হৌরক্তুনা লমন খুম্নবা বার অদুদা থোমজিন্দুনা বার অদুগী লৈরম্বা পোৎ-চৈ খূদীংমক থুগায়খি হায়রি।

# সাইবর ক্রাইম থিংননবা ইন্দিয়ানা য়ু এসকা পূন্না থবক তৌমিন্নবা পাল্লি

*ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ২২ঃ* সাইবর ক্রাইম থিংননবা মরু ওইনা হেক্কিং তৌবা অমদি সোসিএল মেদিয়াবু লান্না শীজিন্নবা থিংনবগীদমক ইন্দিয়ানা য়ু এসকা পূন্না থবক পায়খৎমিন্নবা পাল্লি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ইন্দিয়া অমসুং য়ু এসকী মকোক থোংবা পুলিস ওফিসিয়েলশিংগী ওইনা পাঙথোকপা নুমিৎ নীনি চথগদবা কনফরেন্স অমদা ফোঙদোকখিবনি।

অমেরিকা পুলিসকী মায়কৈদগীসু ৱাফম অদু মরু ওইবনি হায়না লৌখি। ইন্দিয়াগী পুলিস ওফিসিয়েলশিংনা সাইবর ক্রাইমগী মতাংদা থীগৎপা অমসুং মদুগা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিং লোয়ননা মদু থিংনবা হোৎনবদা পুলিস ফোর্সনা থেংনরিবা সমস্যাশিংগী মতাংদা লৈবাক অনীনা পূন্না থবক তৌমিন্ননীংবগী ৱাফম অদু ফোঙদোকখি।

সাইবর ক্রাইমদা চেন্নরিবশিং খঙদোকপা অমদি থীগৎপগী থবক্তা মতেং পাংননবগী ৱাফমসু ফোঙদোকখি। য়ু এস পুলিস ওফিসার অমনা ফোঙদোকখিবদা, য়ু এস অমসুং ইন্দিয়াদা হায়রিবা লম্ অদুদা চপ মান্নবা ৱাথোকশিং মায়োক্লরি।

হৌখিবা মতমশিংদা সাইবর ক্রাইমদা চেন্নবা মঙক চাওবশিং থীগৎনবা হোৎনবদা অচৌবা থবক অমা ওইরি। হোট মেল, গুগল, ফেশবুক অমদি ট্যুটরশিংদা নুমিৎ ১৫ নিদগী ৮০ নি ফাওবদা থৌদোক অমা হেক্তা থোক্লকপা য়াবগী ফীভম লৈরি। মখা তানা লম্ অদুদা ইনফোর্মেশন ফংবা হোৎনবদা অকক্লবা মতম লৈতে।

ইন্দিয়ানা মদুগা মরী লৈনবা কেস কয়া থেংনরি। সর্ভিস প্রোভাইদরশিংনা অদুগুম্বা হঙ্গোইনিংঙাই ওইরবা ৱাফমশিং অদুগী মতাংদা হায়দোকউ হায়বা য়াদে। থৌদোক কয়াদা অদুগুম্বা হঙ্গোইনিংঙাইওইরবা ৱাফমশিং অদুনা কম্ম্যুনেল ভাইওলেন্স থোকহন্নবগী মরম ওইরি। মদু খ্বাইদগী হেন্না মরু ওইরিবা হীরম্নি। অদুগা প্রোভাইদরশিং অদুনা ঈরাং থোক্লিংঙাই ওইবা ৱাফমশিং অদু মখোয়গী সর্ভরদগী লৌথোকউ হায়বা য়াদ্রি হায়না ইন্দিয়াগী পুলিস ওফিসারশিংনা ফোঙদোক্লি।

নুমিৎ নীনিগী ওইবা মীফম অদু হোম মিনিষ্টর সুশিলকুমার সিন্ধে অমসুং য়ু এসকী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি ওফ পুলিস (হোমলেন্দ সেক্যুরিটি) দেভিদ হেমেন অমসুং ইন্দিয়াদা লৈবা য়ু এসকী এম্বেসেদর নেন্সি পাৱেলসু শরুক য়াখি।

মীফম অদুগী মরু ওইবা এজেন্দা অদুদা ইন্দিয়ানা হায়খিবদা, ইন্দিয়া অসি সাইবর ক্রাইম মায়োক্লবা ৫শুবা লৈবাক অমা ওইরি। ৱেবসাইট হেক্কিং তৌবগী কেস চহী অসিদা ৯,০০০ লোম থেংনরি। মদু সরকার অসিদা অচৌবা শীংনবা অমনি।

সাইবর ক্রাইমনা কম্প্যুটরখক্তদা নত্তনা মোবাইল হেন্দসেটশিংদসু চথরক্লি। মরু ওইনা স্মার্ট ফোন অমসুং টেব্লেটশিংদা চথে হায়খি।

নাকল অনীমক্না অদুগুম্বা আইন্না য়াদবা ইন্টরবেজ ভিদিও সাইটশিং লান্না শীজিন্নবশিংগী মতাংদা কূপ্না খন্নখি।

# মুজাফরনগরগী ঈরাংনা শোকহল্লবা মীয়ামশিং ময়ূমদা হন্ননবা রাহুল গান্ধিনা হায়খ্রে

*ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ২২ঃ* মুজাফর নগরগী কাঙলুপকী ঈরাংনা শোকহল্লবা মীয়ামশিংনা লৈরিবা রিলীফ কেম্পতা ঙসি কংগ্রেসকী ভাইস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধিনা হায়খিবদা, মীয়াম্না মখোয় মখোয়গী য়ূমদা হনবা তঙায়ফদে।

থোকখিবা কম্ম্যুনেলগী ঈরাং অদু থওইনা কনাগুম্বা খরনা থোকহনগবনি। মখোয়না ঙসি ফাওবা মীয়াম অদুনা রিলীফ কেম্প অদুদা লৈহনবা পাল্লি। মদুদা মখোয়গী তোংজবা লৈ হায়খি।

ঙসি অয়ূক অঙনবদা মুজাফর নগরগী ঈরাংনা শোকহল্লবা মীয়াম্না লৈরিবা মফম অদু য়েংশিল্লদুনা মহাক্না মখা তানা হায়খিবদা, উত্তর প্রদেশকী সামলি দিষ্ট্রিক্টকী মুসলিমশিংনা মশীং য়াম্না খুন্দাবা মফমশিংদগী চেল্লক্তুনা লৈরিবা মীয়াম অদুগা ৱারী-ৱাতাই শানখি।

মহাক্না হায়খিবদা, ঈরাং অদু থোক্লবা শীনখিবা মীওইশিং অদুনা লৈরিবা মীয়াম অদু ময়ূমদা হলহনবা পামদে। মদুদা মখোয়গী তোংজবা লৈ। মীয়াম অদুনা মখোয়গী হান্নগী খুঙ্গং অদুদগী চৎখিবা পাল্লি।

হৌজিক ওইরিবা খুদোংথীবা অদু



মহাক খঙই। মদুদি মীয়াম অদুনা মখোয়গী ময়ূম লমদমদা হনখিবদা অকিবা ফাওরি। মদুনা তুং কোয়না অফবা অমদি পুরক্লোই। লৈরিবা মীয়াম অদুনা তঙায়ফদনা মখোয়গী ময়ূমদা হনবা ফগনি। মথৌ অমা ওইনা মীওই খরনা অদুগুম্বা থৌদোক অদু থোক্লনবা শীনখিবা ওইরম্বা য়াই।

অদুম ওইনমক ঈরাং অদুনা শোকহল্লবা মীয়াম অদুনদি মখোয়গী য়ূমদা হনবা কিরি। মরমদি অমুক হন্না অতোপ্পশিংনা এটেক চথরক্কদ্রা হায়বগী অকিবা লৈবননি হায়রি।

রাহুল গান্ধিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, মহাক্না মুজাফর নগর অমসুং ঈরাংনা শোকহল্লবা সামলি দিষ্ট্রিক্টতা য়েংশিনবগী খোঙচৎ চৎকনি। রিলীফ কেম্প অদুদা লৈরিবা অঙাংশিং নিংথম থাগী অঙৈংবা নুংশিৎনা মরম ওইরগা লৈখিদবা কয়া য়াওরে। মদু লাইবক থীবনি হায়না কংগ্রেস পার্টিনা পাঙথোকপা মেদিকেল কেম্প অমদা ফোঙদোরক্লি।

# মধ্য প্রদেশতা হ্বাইট টাইগরগীমক অনৌবা নিয়ম হৌদোকপা দরকার ওইদ্রে

*ভোপাল, দিসেম্বর ২২ঃ* নেশনেল টাইগর কঞ্জর্ভেশন ওথোরিটিনা মধ্য প্রদেশতা হ্বাইট টাইগরগীদমক অমুক হন্না নিয়ম শেম্বা দরকার ওইদ্রে। মদুনা ঙাক-শেনবগী থবক মমল য়াওহন্দ্রে। লোয়ননা অতাংবা স্পেসিস অদুবু কন্নবা হোৎনবদা নীংহন্নবা পোকহল্লে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি মধ্য প্রদেশ ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা নেশনেল টাইগর কঞ্জর্ভেশন ওথোরিটি অমসুং মধ্য প্রদেশ ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকী টেক্নিকেল কমিটিগী মীফমদা ফোঙদোকখিবনি।

মীটিং অদুদা ফোঙদোক্লখিবদা, ৱাইল্ড লাইফ ইন্সটিট্যুট ওফ ইন্দিয়াগী থবক অদু ইস্যু অমা ওইরে। মধ্য প্রদেশতা অঙৌবা কৈ অদু কন্ননব-গীদমক অমুক হন্না নিয়ম শেন্বগী





দরকার ওইদ্রে হায়খি।

হ্বাইট টাইগর হায়বদু বেঙ্গোল টাইগরদগী তোঙানবা স্পেসিস অমা নত্তে। মরম অদুনা মদুখক্তদা কঞ্জর্ভেশনগী ৱাফম পুখৎপগী দরকার ওইদে।

ভোপালদা বেজ তৌবা ৱাইল্ডলাইফ এক্টিভিষ্ট দুবেনা আর টি আই থাদুনা ফংলকখিবা পাউদা য়ূম্ফম ওইরদুনা হায়খিবদা, মিনিষ্ট্রি ওফ ইনভাইরনমেন্ট এন্দ ফোরেষ্টনা নেসনেল টাইগর কঞ্জর্ভেশন ওথোরিটিনা হায়রিবা ৱাফম অদু অমুক হন্না খন্ননিংঙাই ওই। মদুগী মতাংদা মরী লৈনবা মিনিষ্ট্রিদা চিঠি ইদুনা খঙহল্লগনি হায়খি।

ষ্টেট সরকারনা কয়ারক হন্না হোৎনদুনা অঙৌবা কৈ অদুগী লাবা-অমোগী জুরা অমা, সঞ্জয় টাইগর জুরা অমা সঞ্জয় টাইগর রিজর্ভতা থম্ননবা হোৎনখি। অদুবু মায় পাকখিদে। চীফ মিনিষ্টর সিবরাজ সিংহ চৌহান্না মহাক্না ফম মান্নবা ওদিষাগী নবিন পতনায়কতা অঙৌবা টাইগর অদুগী জুরা অমা ষ্টেট অদুগী জূ কম রেস্ক্যু সেন্টরদা থম্ননবা হায়জখি। অদুমওইনমক, ওদিষা সরকারনা ৱাফম অদু থবক ওইনা ওন্থোকপা ঙমখিদে।

মধ্য প্রদেশতা লৈবা নেচরেল হেভিটেশনশিংদা হ্বাইট টাইগরগী জুরা ফংবা ঙমদে। অদুবু ষ্টেট অদুদা অঙৌবা টাইগর অহুমদি জূদা ঙাক-শেন্দুনা লৈরি হায়রি।

# মন্ত্রি ২৩ হাপচিন্দুনা চৌহান মিনিষ্ট্রি চাউথোকখ্রে

*ভোপাল, দিসেম্বর ২২ঃ* মধ্য প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর শিবরাজ সিংহ চৌহাননা ঙসি মহাক্কী মন্ত্রি-মণ্ডুল চাউথোকহনখ্রে। কেবিনেট মিনিষ্ট ১৯ অমদি ষ্টেট মিনিষ্টর ৪ ঙসি ৱাশক লৌদুনা অহুম্লকশুবা ওইনা মহাক্কী মন্ত্রি-মণ্ডুল অদু চাউথোকহনখিবনি।

ঙসি ৱাশক লৌখিবা মন্ত্রিশিং অদুগী মনুংদা নুপী মন্ত্রি অহুম য়াওরি। মখোয়শিং অদুদি য়াসোদারা রাজে সিন্ধিয়া, ময়া সিনহা অমসুং কুসুম মহাদেলেনি।

মহাদেলেদি মমাঙদা মিনিষ্টর অমুসু ওইখ্রে। ইং ২০০৮দা পাঙথোকখিবা ষ্টেট এসেমব্লি মীখলদা মহাক্কী খ্বাইদগী নক্লবা লম্বা অদুনা ভোট মশীং ৪৭ হেন্দুনা মহাকপু মায়থীবা পীরমখি।

হন্দক পাঙথোকখিবা মীখল অদুদা অমুক মায় পাক্তুনা মন্ত্রি ওইরকখিবনি। মদুনা এসেমব্লিদা মহাক্না কারকপা ৫রকশুবনি হায়রি।



সিন্ধিয়াদি হৌজিক হৌজিক গ্বালিয়রদগী কারক্তুনা এম পি ওইরি। অদুগা ময়া সিংহনা হৌজিক হৌজিক রাজ্য সভাগী মেম্বর ওইরিবনি। অদুগা চাওহানগী মন্ত্রি মণ্ডুলদগী হান্নগী চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বা অর্চানা চিতনিস অমসুং রঞ্জানা ভাগেলদি হন্দক মন্ত্রি-মণ্ডুলদা য়াওদ্রে। হায়রিবা মীওই অনী লৌথোকখ্রবা মতুং অনৌবা মন্ত্রি ওইরকখিবশিংগী মনুংদা গ্যান সিংহ য়াওরি। অদুগা হান্নগী মিনিষ্টরগী মরী-মতা দিপক জোসি (মচানুপা) অকাইলাস জোসি অমসুং সুরেন্দ্র পতৱা, মমাকনুপা সুন্দরলাল পতৱা ষ্টেট মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌখি।

জোসিদি ষ্টেট অদুগী হাটপিপালিয়া কন্সটিট্যুয়েন্সিদগী অনীরকশুবা ওইনা কারকখিবনি। অদুগা কংগ্রেসকী সেনিয়র লীদর মায়থীবা পীরমদুনা সুরেন্দ্র পটৱালনা ভোজপুরদগী কারকখিবনি হায়রি। অতোপ্পা ষ্টেট মিনিষ্টর অনী অদুনা লাল সিংহ আরিয়া অমসুং সরত জেননি।

কেবিনেট মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌরিবশিংগী মনুংদা হান্নগী মিনিষ্টর বাবুলাল গোর য়াওরি। মহাক ভোপালদা লৈবা গোবিন্দপুর কন্সটিট্যুয়েন্সিদগী ১০রক হন্না কারকখ্রবা মীওইনি হায়রি। অতোপ্পশিং অদুনা জয়েন্ত মালয়া, গোপাল ভরগবা, দাঃ গৌরিসঙ্কর, কয়লাস বিজয়া ৱারগিয়ানচিংবা য়াওরি।

# মুম্বাইবদা নরেন্দ্র মোদিগী রেল্লি পাঙথোকখ্রে, য়ু এস এনভোয়দদি বার্তাণ তৌখিদ্রে

*মুম্বাই, দিসেম্বর ২২ঃ* মুম্বাইগী বন্দ্রা-কুরলা কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখিবা নরেন্দ্র মোদিগী মহা -গরজনা রেল্লিদা ভারতিয়া জনতা পার্টিগী এক্টিভিষ্ট লিশিং কয়ানা শরুক য়াখ্রে।

বি জে পিগী প্রাইম মিনিষ্ট্রিয়েল কেন্দিদেট ওইরিবা নরেন্দ্র মোদিগী ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুংদা মুম্বাইদা পাঙথোকখিবা রেল্লি অদুদা মহারাষ্ট্রা, গুজরাট অমসুং লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী মীওই লিশিং কয়ানা শরুক য়াখি।

বি জে পিনা রেল্লি অদুদা শরুক য়াগদবা মীয়ামগীদমক শাংনা চেনগদবা ট্রেন ২১, বস অমসুং প্রাইভেট ভেহিকল কয়া মীয়াম অদুবু হোন্দোক-হোঞ্জিন তৌনবগী থৌরাং তৌখি। রেল্লি অদুগীদমক ভি ভি আই পি কয়াদা স্পিসিএল ওইনা বার্তাণ তৌখি।

তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংগী কন্সুলেট অমসুং দিপ্লোমেটিক কোর্পশিংদসু বার্তাণ পীখি। লোয়ননা লম্বীগী মতাইদা চা য়োনবা মীওই ১০,০০০দসু রেল্লি অদু য়াওননবা অখন্নবা বার্তাণ পীখি।



য়ু এসতা ইন্দিয়ন কন্সুলেট দেবয়ানি খোব্রাগাদেবু লুজদবা মওংদা ফাখিববু য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা মুম্বাইদা লৈবা য়ু এস কন্সুলেটতা পীগদবা বার্তাণ অদু ককথৎখি হায়না বি জে পিগী জেনরেল সেক্রেটরি রাজিব প্রতাপ রুদিনা ঙসি মুম্বাইদা ফোঙদোকখ্রে। বি জে পিনা রেল্লি অদু য়াওননবগীদমক অখন্নবা থৌরাংশিং পায়খৎপগা লোয়ননা বি জে পিগী নুপী থৌমী লিশিং কয়া গুজরাটকী খ্বাইদগী হাওবা অথুম-অহাওনি হায়রিবা থেপলা অচার য়েন্থোক্লবগীদমক থৌরাং তৌরি।

মুম্বাই পুলিস অমসুং অতোপ্পা সেক্যুরিটি এজেন্সিশিংনা রেল্লি অদুগীদমক অখন্নবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপগা লোয়ননা সেক্যুরিটি পর্সনেল ৩,০০০ দিপ্লোয় তৌরি। মদুগী মনুংদা ক্বিক রেস্পোন্স টিম, বোম অমসুং দোগ স্কাউটশিং য়াওরি।

ঙসিগী খোঙচৎ অদুদা নরেন্দ্র মোদি, বি জে পিগী প্রসিদেন্ট রাজনাঠ সিংহ, হান্নগী বি জে পিগী মকোক নিতিন গটকারি, সেনিয়ার লীদর গোপিনাঠ মুন্দে, ষ্টেট পার্টিগী লুচিংবা দেবেন্দ্র ফদনাভিস, ষ্টেট এসেমব্লিগী ওপোজিশন লীদর ইগনাঠ খর্সে, লেজিসলেটিভ কাওন্সিলগী ওপোজিশন লীদর বিনোদ টৱাদে য়াওখি।

মোদিগী খোঙচৎ অদুগীদমক সেক্যুরিটি ফোর্সনা লৌখৎখিবা থৌরাং অদু ফুল প্রুফ ওইরে। মদুগীদমক পুলিস পর্সনেল লিশিং ৩লোম হায়রিবা বন্দ্রা কুরলা কমপ্লেক্সতা দিপ্লোয় তৌখি। মোদিদা হৌজিক লৈরিবা কিহনবগী চাং অদু অসুক্কী মতীক ৱাংই। মঙোন্দা সেক্যুরিটিগী ওইবা মরোল ৭ লৈবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলি। লোয়ননা এন্টি টেরোরিজম সেল্সু মথৌ তৌহল্লি।

মুম্বাইদা লৈরিবা অমসুং চঙলকখিবা মীওইশিং চয়োল অনীগী মমাঙদগী লেপ্তুনা চেক তৌদুনা লাকখি হায়না সিটি পুলিসনা ফোঙদোরক্লি।

# সেক্যুরিটি ফোর্সনা চেকশিনবদি য়াই ব্যাবহার কায়বদি তৌরোইদবনি

*শ্রিনগর, দিসেম্বর ২২ঃ* সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা মীওইবগী হকপু ইকায়খুম্নগদবনি হায়না জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী চীফ মিনিষ্টর ওমার অব্দুলানা ঙসি সেক্যুরিটি ফোর্সশিংদা ফোঙদোকখ্রে। লোয়ননা চেকশিনবা অমসুং মখোয়না মথৌ তৌবদা ইকায়খুম্নবা থবকশিং তোঙান তোঙান্না থমগদবনি হায়খি।

জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী খুদোংথীনিংঙাই ওইরবা মফমশিংদা থবক থৌরিবা ফোর্সশিংনা মখোয়গী শান্তি থম্নবা হোৎনবদা পূক্নিং থৌগৎলি।

হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসি য়াম্না ফগৎলে। অদুগা হান্না নিংথৌ পাল্লিঙৈ ফীভম অদুদা হঞ্জিল্লকপগুম তৌরে হায়খি। সেক্যুরিটি ফোর্সনা মথৌ তৌবা মতমদা মখোয়গী চেকশিনবা অমসুং লমচৎ শাজৎ অদু তোঙান তোঙান্না খায়দোক্তুনা য়েংগদবনি। ৱাফম অদু মখোয়দা এদভাইস পীবা নৎত্রগা মেসেজ পীবনি হায়খি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙ-দোকখিবদা, পুলিসশিংদা মহাক্না য়াম্না তোয়না হায়, মখোয়না থবক চথবা মতমদা মীয়ামদা উৎলিবা মতৌ অদু মখোয়না থবক চেকশনবগীদি ওইরম্বা য়াই অদুবু মীয়ামদা নত্তবা ব্যাবহার উৎপদি লোইশিনগদবনি হায়খি। ৱাফমশিং অদু মহাক্না হমহমাদা পাঙথোকপা রিক্রুট ট্রেনিং সেন্টর সি আর পি এফকী পাসিং আউট সেরিমোনিদা ফোঙদোকখিবনি।